## ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ সিজন নাইন-২০১৬

# গুজরাট লাইওন্সনা কোলকতা নাইথ রাইদর্সপু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা অনীশুবদা লৈবা ঙমখ্রে



ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেটচ মায় পাকহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা গুজরাট লাইওন্সকী দ্বেন স্মিথ

কানপুর, মে ১৯ ঃ

চথরিবা আই পি এল সিজন নাইনগী ঙসি শান্নখিবা ৫১ শুবা মেটচতা গুজরাট লাইওন্সনা কোলকতা নাইথ রাইদর্সপু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস গুজরাট লাইওন্সনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌখি। মখোয়না ওভর ২০ শান্নবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১২৪ লৌবা ঙমখি। কোলকতা নাইথ রাইদর্সকী ইন্নিংস রোবিন উথাপা অমদি কেপ্টেন গৌতম গম্ভিরনা হৌদোরকখি।

কে কে আরগী অহানবা ৱিকেট অদু গম্ভির রন ৮ দা আওট ওইখিবা অদুনা ওইখি। মনিস পান্দেনা মহাক্কী মহুৎ শিল্লকপদা শুপ্নগী রন অমদা আওট ওইখি। ওপনর উথাপা রন ২৫ লৌরল্লগা ৭ শুবা ওভরদা আওট ওইখিবদগী পিয়ুস চাউলা শান্নবা চঙলকখি। মহাকসু রন ১১ দা আওট ওইখি।

কোলকতাগী মায়কৈদগী য়ুসুপ পথান্না রন ৩৬ লৌদুনা খ্বাইদগী রন য়াম্বা স্কোরর অদু ওইখি। মহাকপু মখা তানা চাউনা মতেং পাঙবা ঙমখিবা বেটসমেনশিং অদুদি রন ১৭ লৌখিবা সুর্য্যকুমার যাদব অমসুং রন ১৩ লৌখিবা জেসন হোল্ডরনি। টিম অদুগী অপুনবা স্কোর ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১২৪ ওইখি।

কোলকতা নাইথ রাইদর্সকী ইন্নিংস অদুবু মচেং তানা থুগাইবা ঙমখিবা বোল্লর অদু দ্বেন স্মিথনি। মহাক্না ওভর ৪ লংবদা শুপ্নগী রন ৮ খক পীরগা ৱিকেট ৪ লৌদুনা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ওইনা য়াম্না ফজবা বোল্লিংগী পার্ফোমেন্স অমা উৎপা ঙমখি।

গুজরাট লাইওন্সনা ৫১ শুবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী মেটচ অদু মায় পাক্লনবা দরকার ওইখিবা রন ১২৫ অদু লৌনবা হোৎনরকপদা বেটসমেন ৪ খক আওট ওইরগা ১৪ শুবা ওভরগী ৩ শুবা বোলদা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৬ তা মায় পাক্তুনা চথরিবা লীগ অসিগী অনীশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখিবনি।

টিম অদুগী কেপ্তেন সুরেস রাইনানা আওট ওইদনা বোল ৩৬ তা সিক্স ১ গা ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৫৩ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

আরোন ফিন্স রন ২৬ লৌরমখি অদুগা দিনেস কার্থিক অমসুং রবিন্দ্র জাদেজাসু মথংশিংনা রন ১২ অমসুং ১১ লৌবা ঙমখি।

**Points Table**

| Team | M | W | L | Tied | N/R | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Sunrisers Hyderabad | 12 | 8 | 4 | 0 | 0 | 16 |
| Gujarat Lions | 13 | 8 | 5 | 0 | 0 | 16 |
| Royal Challengers Bangalore | 13 | 7 | 6 | 0 | 0 | 14 |
| Kolkata Knight Riders | 13 | 7 | 6 | 0 | 0 | 14 |
| Mumbai Indians | 13 | 7 | 6 | 0 | 0 | 14 |
| Delhi Daredevils | 12 | 6 | 6 | 0 | 0 | 12 |
| Rising Pune Supergiants | 13 | 4 | 9 | 0 | 0 | 8 |
| Kings XI Punjab | 13 | 4 | 9 | 0 | 0 | 8 |

## য়ু ই এফ এ য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬

# স্পেনগী সিভিলানা ইংলন্দগী লিভরপুলবু মায়থিবা পীদুনা য়ুরোপা লীগ টাইটল অহুমলক শুবা ওইনা লৌখ্রে



লিভরপুলবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা সিভিলাগী শান্নরোইশিং

বাসেল , মে ১৯ ঃ

স্বিজরলেন্দগী সহর বাসেলদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা য়ুরোপ লৈবাক্কী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইনা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ইংলন্দগী ক্লব লিভরপুলবু স্পেনগী ক্লব সিভিলানা পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী অহুমলকশুবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং স্বিজরলেন্দগী সহর বাসেলনা লৈবা সেন্ট জেকোপার্কতা লৈবা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা সিভিলাগী মায়কৈদগী ফজবা হেনখিবা মরম্না লিভরপুলবু মখোয়না থোইবা ঙমখিবনি। অদুবু মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদুদি লিভরপুলনা চনবা ঙমখি। লিভরপুলগী মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর দেনিয়েল ষ্টুরিজনা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনিটতা ফাইনেল অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিবনি।

অহানবা হাল্ফ অদু লিভরপুলনা দোমিনেট তৌবা ঙমখি। ষ্টুরিজনা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্নবা হোৎনরকপদা মহাক্কী টিমগী মায়কৈদগী সিভিলাগী ওইথংবা পেনাল্টি এরিয়াদা বোল অমা ফংদুনা ফিভম চানা শেল্লবা মতুং সিভিলাগী গোলকিপর অদুবু মায়থিবা পীদুনা গোল অদু চনখিবনি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিকুপ খরদং ঙাইরবা মতমদা মেটচ অদুগী ইক্কেলাইজর অদু সিভিলাগী মায়কৈদগী চনবা ঙমখি। ইক্কেলাইজর অদু লিভরপুলগী লেপবেক এলবর্তো মোরিনোনা সিভিলাগী মারিয়ানো ফেরৈরানা পুশিল্লকপা বোল অমা চেনশিন্দুনা মুন্নবা হোৎনবদা ফেরৈরানা থৈদোক্তুনা পুখ্রগা টিমমেট গামৈরোদা ইন্থোকখি।

গামৈরোনা অশোয়– অঙাম য়াওদনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফলোইশিল্লকপদা পাঞ্জল অমমমদা লৈনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা সিভিলাগী মায়কৈদগী এটেক চথবা হেল্লকখি। ইক্কেলাইজর চনখিবা গামৈরোনা বোল অনীরক পাঞ্জল ওইরমগদবা তাঞ্জাদগী নাম্থোকখি। অদুবু মহাক্না মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদ্রবসু টিমমেট কোকনা শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা লিভরপুলবু সিভিলানা পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল হেনখিবদগীদি সিভিলাগী শান্নরোইশিংগী মরক্তা অহেনবা থৌনা লাকখিবদগী হান্না লৈরম্বা এটেক চথবগী চাং অদু হেনগৎলকখি। মেটচ অদুদা সিভিলা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা কোকনা ফাইনেল মেটচ অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা লিভরপুলবু মখুৎ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা থম্বা ঙমখি।

শান্নবগী লেমহৌবা মিনিট ২০ অদুদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু মখোয়গী মথক্তা চনশিনখিবা অহেনবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা য়ুরোপকী য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌবা ঙমদুনা ক্লব অসিগী ইতিহাসতা অহুম্লক শুবা য়ুরোপা লীগ টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

## থোমাস এন্দ অবর কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৬

# সাইনা মায়থিখ্রবসু রুথভিকানা ইন্দিয়াগী টিম্মু অবর কপকী ব্রোঞ্জ মেডল শোয়দনা ফংহল্লগনি



অহুমশুবা সিঙ্গলসতা মায় পাক্তুনা সন্দিয়াবু সেমি ফাইনেল য়ৌহনখিবা রুথভিকা

কুন্সান, মে ১৯ ঃ

ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল মহাক্কী সিঙ্গলস মেটচতা মায়থিখ্রবসু নহা ওইরিবী রুথভিকা সিবানি গাদেনা মহাক্কী সিঙ্গলস মেটচ মায় পাকপদগী থাইলেন্দবু ইন্দিয়ানা মেটচ ৩–১ দা থোইদুনা অবর কপকী সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

ঙসি চাইনাগী কুন্সান স্পোর্টস সেন্টরদা শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সাইনা নেহৱালনা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনগা লম্বা তৌনখি। সাইনা নেহৱালবু ইন্টানোন্না ষ্ট্রেট গেম অনীনা ২১–১২, ২১–১৯ দা থোইখি। মায়থিবা অদু সাইনাগী ৮ লক শুবা ইন্টানিনোনগী মখুত্তা মায়থিবা ওইখি।

অনীশুবা সিঙ্গলস মেটচতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই পিভি সিন্ধুনা থাইলেন্দগী বুসানন ওংবুমরুং ফান ২১–১৮, ২১–৭ দা থোইদুনা মেটচ অমমম মান্নরকখি। মদুগী মতুং দা অহানবা দবলসকী মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা আস্বিনি পোনাপানা থাইলেন্দগী পুটিতা সুপাজিরাকল অমসুং সবসিদি তেরাতনচাইবু ২১–১৯, ২১–১২ তা থোইদুনা মেটচ ৫ গী টাই অদুদা ইন্দিয়ানা মেটচ ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মরিশুবা মেটচ অদু অহুম্লক শুবা সিঙ্গলস মেটচ ওইখি। মদুদা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ দা ঙাইরিবী রুথভিকা সিবানি গাদেনা থাইলেন্দগী নিটচোন জিন্দাপোলবু য়াম্না হৈ–শিংনা ২১–১৮, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৩–১ দা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দবু থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

হয়েং সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগা পাঙ্গল লৈরবা চাইনাগী টিমগা ফাইনেল য়ৌনবগীদমক লম্বা তৌনরগনি। চাইনানা চাইনিজ তাইপৈবু ৩–০ দা থোইরম্বনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়া অমসুং জপানগা লম্বা তৌনরগনি। কোরিয়ানা ইন্দোনেসিয়াবু অদুগা জপানন্না দেনমার্কপু চপ মান্নবা স্কোরদা ৩–০ দা থোইরমখি।

নুপাগী সেমি ফাইনেলদা কোরিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়া থেংনরগনি অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা মালেসিয়া অমসুং দেনমার্ক থেংনরগনি।

# য়ু এস এ না ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৪–০ দা থোইখ্রে

ভাস্কো, মে ১৯ ঃ

ইন্দিয়াগী য়ুঠকী টিম য়ু এস এ না পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা গোৱাগী সহর ভাস্কোদা লৈবা তিলক মৈদান ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা চথরিবা এ আই এফ এফ য়ুঠ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙসি ষ্টেদিয়ম অসিমক্তঃদা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা তানজানিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়ানা পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা দ্রো চৎপদগী তানজানিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিদা মেটচ ৩ শান্নবদা অমা মায় পাক্লগা অনী দ্রো চত্তুনা পুন্না পোইন্ট ৫ ফংলগা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি টুর্নামেন্টকী অহানবা মেটচতা মালেসিয়াগা শান্নবদা দ্রো চৎখিবনি। মদুগী মতুং অনীশুবা মেটচতা তানজানিয়াগী মখুত্তা মায়থিবা নংলবা মতুং ঙসি য়ু এস এ গা শান্নবদা অমুক্কা হন্না মায়থিবা নংখিবনি।

ঙসি য়ু এস এ গা শান্নবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াবু মখোয়না হৌবদগী বোল হেন্না পায়দুনা লাকচবা ঙমখি। অদুবু ইন্দিয়াগী দিফেন্স লাইন্দদা লৈরিবা শান্নরোইশিংনা ঙাক্তুনা লৈখিবনি। অদুবু ২৭ শুবা মিনিটতা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল য়ু এস এ না চনবা হৌখি। মখা তানা য়ু এস এ গী মায়কৈদগী ৩৯ অমসুং অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমদা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা য়ু এস এ না ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং য়ু এস এ গা লম্বা তৌনবদা খরা ৱানা থোকখি। শান্নবগী ৫৬ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অদু য়ু এস এ না ৪–০ দা থোইখি।

## ৱার্ল্ড ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৬

# ইন্দিয়াগী মেরি কোম অমসুং সরিতা দেবী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে





স্বিদেনগী জুলিয়া সোদরষ্ট্রোমবু মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী এম সি মেরি কোম

অস্তানা , মে ১৯ ঃ

এমেচর ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসনগী মখাদা ঙসিদগী কজাকস্তানদা হৌখিবা ৱার্ল্ড ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী অহানবা রাউন্দদা রিও ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইননবা অরোইবা তাঞ্জা ওইনা হোৎনরিবা ইন্দিয়াগী এম সি মেরি কোম অমসুং এল সরিতা দেবী মখোয়–মখোয়গী অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ওলিম্পিক্সতা য়াওগদবা কেটেগোরি অহুম–কেজি ৫১, ৬০ অমসুং ৭৫ নি। মসিদা এম সি মেরি কোম্না কেজি ৫১ দা ঙসি স্বিদেনগী বোক্সর জুলিয়ানা সোদর্সষ্ট্রোমগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৩–০ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

মেরি কোমগা মান্ননা মণিপুরদগী পুন্না হৌমিন্নখিবা লাইশ্রম সরিতা দেবীনা কেজি ৬০ গী কেটেগোরিগী অহানবা রাউন্দদা বেলারসকী বোক্সর অলা য়ার্সেবিসপু ৩–০ দা থোইদুনা মহাকসু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখিবনি।

মেরি কোম অমসুং জুলিয়ানা লম্বা তৌনখিবা অদু হৌবদগী হৌনা মেরি কোম্না এটেক চথবা হেনখি। স্বিদেনগী বোক্সর অদুনা মেরি কোম্না করম্বা এটেক চথরকদগে হায়বা খন্দুনা লৈরিঙৈ লন্দন ওলিম্পিক্স ২০১২ গী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট অমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫ রক ওইবা ঙমখ্রবী বোক্সর অসিনা মহাক্কী য়েৎথংবা জেবনা কয়ারক হন্না পোইন্ট ফংখিবদগী বাউট অদুগী জজশিংনা অমত্তা ওইবা ৱারেপ্তা মেরি কোম্না মায় পাক্নে হায়খিবনি।

থাংজ নুমিৎতা মেরি কোম্না এসিয়ান গেমসকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট মোঙ্গোলিয়াগী নাদিনসেটসেগপু মায়থিবা পীরম্বী জর্মনিগী আজিজে নিমানিগা থাংজ নুমিৎতা অনীশুবা রাউন্দ লম্বা তৌনরগনি।

নাকল অমরোমদা কেজি ৬০ কেটেগোরিদা রিও ওলিম্পিক্স য়াওননবা অকনবা লম্বা তৌরিবী লাইশ্রম সরিতানা বেলারসকী অলা য়ারসেবিসকা লম্বা তৌনরকপদা হৌরকপদা খরা চেকশিন্না মায়োক্লন্দুনা বোক্সর অদুগী মশান্না নিংথিনা ঔরাইরবা মতুং মখা তারকপা রাউন্দশিংদা অদুম্মক খুদুম চন্দুনা মায় পাকপা ঙমখি।

সরিতানা মহাক্কী লেপ হুক অমসুং রাইট জেবকী এটেক অদুনা বেলারসকী য়ারসেবিসপু মশাগী মশান্না অদুদা ওনশিনবা ঙমহনখিদে। চথখিবা রাউন্দ ৪ মক অলা য়ারসেবিস সরিতাগী এটেক অদুবু ঙাকথোক্নবাহোৎনদুনতা লৈখি। বাউট অদু সরিতানা ৩–০ দা থোইখি।

থাংজ নুমিৎতা সরিতানা মহাক্কী অনীশুবা বাউট অদুদা মেক্সিকোগী ভিক্তোরিয়া টোরেজনা থেংনরগনি। রিও ওলিম্পিক্স য়ৌননবগীদমক চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা মথৌ তারি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com